ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯱꯳, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, এপ্রিল ১৩, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২০শুবা মশীং

# এগজামিনেসনদা অরানবা পাম্বৈ অদুম শীজিন্নরি, কৈদৌসিগে

এগজামিনেসনদা অরানবা পাম্বৈশিং শীজিন্নবগী থৌওংসি লেপ্পা লৈতে, হনবা লৈতে, মূৎখিবা-মাঙখিবা লৈতে। হৌজিক এপ্রিল ৫, ৭ অমসুং ৮দগী বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন, মণিপুর (বোসেম) অমসুং কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন, মণিপুর (কোসেম) না লৌদুনা পাঙথোক্লিবা ক্লাস টেন, এলেভেন অমসুং ত্বেলভকী এগজামিনেসনশিংগী সেন্টর খরদা অরানবা পাম্বৈশিংসি শীজিন্নরম্বা থেংনরে। হৌজিক এগজামিনেসন অহুম্মক মপূং ফানা লোইশিন্দ্রিবনা অসিগুম্বা পাঙথোকফম থোক্তবা, তৌফম থোক্তবা অরানবা থৌওংশিংসি চথ্খরক্লরোই, মখা শাংথরক্লরোই হায়রুবা ঙমদ্রি। সেন্টর খরদা থোকহন্নীংদবা, থোরকফম থোক্তবা থৌদোকশিং থোকপগী হৌনবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎখ্রবসু অদুম্মক থোকচিল্লকপগুম তৌরি। মসিদি অরানবা পাম্বৈ শীজিন্নবগী মরালদুদগীদি মদুবু পাঙথোক্লবা হোৎনরকপগী পূক্নিং ৱাখল অদুনা হেন্না শাথীরবা ফীভমনি হায়দুনা লৌবা য়াই। অরানবা, ফত্তবা থবক তৌনীংবগী ৱাখল চেল্লিবা অদুম্মক লৈবাক মীয়ামগী, খুন্নাইসিগী লাইবক থীবনি। ফৎত্রবা থবকশিং অসিবু অদুঙৈ মণিপুরনা মশাগী সেকেন্দরি বোর্ড অমসুং কাউন্সিলনচিংবশিং অসি লৈজদ্রিঙৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা চৎতুনা এগজামিনেসন শরুক য়ারুবা মতমদুদসু অদুম্মক তৌনরমগদ্রা? অদুগা অরানবা পাম্বৈশিং শীজিন্নরুবদগী ইনভিজিলেটর য়াওনা এগজামিনেসন অদুগী ওথোরিটিশিংনা হৌজিক শ্বাইদা বোসেম অমসুং কোসেমনা তৌরিবা অসুম্মাইনা তান্থোক-তানশিনগা তৌরকপা য়াওখিবজাৎলা? য়াওখিবা, য়াওখিদবা হৌজিক চথ্খরিবা বোসেম অমসুং কোসেমগী এগজামিনেসনশিং অসিদদি য়াওরে, ৱারু-নুংজু থোক্লরক্লে। মহুৎ শিল্লগা এগজামিনেসন ফম্লম্বা য়াওরে, মহৈরোয় অমগা অমগা শিন্নরম্লে, এগজামিনেসন হোল মনুংদা মোবাইল ফোন পুশিল্লগা শীজিন্নদুনা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরম্বা য়াওরে। মসিগীদমক তান্থোক-তানশিন তৌবা য়াওরে, মহৈরোয়শিংগী লূপনা কৌখৎতুনা ৱারক-ৱাতেম্বা য়াওরে, পাউতাক পীবা য়াওরে।

অদুবু লাক্লিবা ৱাহংদি হায়রিবা থবকশিংসিদি থোকখ্রবা মতুংদতা থোকহনফম থোক্তবা থৌদোকনি, থবকনি, অফবা নত্তে লৌখৎফম থোকপা থবকশিংনি হায়দুনা তৌরকপগী ৱানি। এগজামিনেসনশিংসি পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদসু অসিগুম্বা থৌদোকশিংসি থোরক্তনবা ফনা কন্না হায়খি। ফৎত্রবা অরানবা থবকনি তৌগনু হায়খি। তৌবা য়ারোইসু হায়খি। অদুবু অদুম্মক তৌরকই। হায়খিবা, ঙাঙখিবা পূন্নমক নূঙদা ঈশিং চাইবগুম্না থোকখি। করিমত্তা কান্নখিদে, উৎতা ঘি হৈবগুম থোকহনখি। অদুদি এগজামিনেসনশিংগী মতাংসি কৈদৌসিগে? কৈদৌরগা ফগদগে? অসিগুম্বা থৌদোকশিংসি করম্না থোকহল্লক্তবা ঙমগদগে? মশ্বাইদা মীয়াম হুপ্না তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নদুনা খ্বাইদগী ফবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎনবা পাম্বৈশিং পুথোকপা চঙলি। থবকসিদা হকথেংননা থৌদাং লৌগদবা মরু ওইনা এগজামিনেসনশিং অসিবু শরুক য়াগদৌরিবা মহৈরোয়শিং, মখোয়গী মমা-মপা, গার্জিয়নশিং, এগজামিনেসনশিং অসিগী অশিন-অরাং তৌরিবা বোর্ড অমসুং কাউন্সিলগী থৌপুবশিং, এগজামিনেসনশিং অসিদা এনগেজ তৌদুনা শীজিন্নগদৌরিবা ওজাশিং অমসুং মহৈরোয়শিং অসিদা ঙাক্লৌ পীরিবা কোচিং/ট্যুসন সেন্টরশিংগী ওজাশিংনা ৱাখল তামিন্নবা চঙই। করি-করম তৌসিগে হায়বগী খ্বাইদগী ফবা মেকানিজম অমা পুথোকপা চঙলি। ৱাফমসিদি অনৌবদি নত্তে। অদুবু এগজামিনেসন পাঙথোকপা খুদিংগী লেপ্তুনা শুম থোকচিল্লক্লবনা অদুম্মক ইনৌদা নৌদুনা লৈবগী ৱানি। অসিগুম্বা থবকসি তৌরোইদবা ফত্তবা, অরানবা থবকনি হায়বগী ৱাখল্লোনসি মরু ওইবা অমসুং হকথেংনরিবা মীওই কাঙলূপসিনা চপ য়ুংনা খনবা-চেনবগী তঙাইফদবা লৈরে। মশ্বাইদা পন্থদনা খন্নহৌবনা চুমগদবা মাল্লক্লে। অদুগা খরগা হেন্না মরু ওইরিবনা এগজামিনেসনশিং শীল্লিবা বোর্ড অমসুং কাউন্সিলগী মায়কৈদগীসু পূক্নিং-ৱাখল য়াম্না শেংনা চুমদ্রিং পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎপা চঙই। হৌদোংনা ঙা চারি, য়েংলি হায়দুনা লৈবগী ফীভমদি থরেক-থরেক তৌবনি হায়দুনা লৌদবা য়ারোই। মহৈরোয়শিংনা এগজামিনেসনদা অরানবা পাম্বৈশিং শীজিন্নে, শীজিন্নহল্লি হায়দুনা অকনবা থবকশিং লৌখৎ-লৌখৎনা অদুম্মক চথ্খরক্লিবা অসিদি অফবা খুদম নত্তে। অদুগা লিশাং-শিংনসু লৈরকপা ফৎত্রবা থবকনি। খুদক্তা হেক্তা মূথৎতুনা লোইশিনবসু ঙল্লোই। ঙমদবদগী হৌজিকসু মখা তানা চথ্খরক্লিবনি। মশ্বাই য়ৌশিল্লক্লবনিনা ষ্টেকহোল্ডরশিংনি লৌবা য়ারবা কাঙলূপ খুদিংমক্না পুনশিন্নদুনা তুং-কোইনা চৎকদবা, অরানবা পাম্বৈশিংসি অমুক হন্না শীজিন্নরক্তনবা পর্মিনেন্ট ওইবা পাম্বৈশিং পুথোকপা থেংথমল্লে হায়নীংই। অদুবু থেংলবসু থেংনা তৌদবদি য়ারক্ত্রে। তৌহৌদ্রগদি খুন্নাইসিগী তুংগী অচঙবা সনা য়ূম্বী ওইরক্কদবা মহৈরোয়শিংসি ময়োলদা তীলনা চিকথৎলবা পাম্বীগুম ওইরকপা শোয়দবনি। হ্যুমেন কেপিটেলশিং পুথোরক্কদবা এদ্যুকেসন সেক্টরদবু মোৎশিল্লকপা, মশক থিহল্লকপা হায়বসি তুংদা অফবা ওইরকহনবগী ওন্ন-তৈনবা খোঙথাং ওইগনি। পন্থদনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎতুনা মরূ ফংনা মূথৎহৌনবা থবক প্রপ-প্রপ পায়খৎপা চুমগনি হায়নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৯

১) অঙাংশিংগীদমক্তা ৱারী-শৈরেং মখলদা ইবা **''মেলাদা উৎখিদ্রবা সনারৈ''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **''মণিপুরগী চীংনুং মানুং, পাৎ লৌবুক অমসুং চন্না লেঞ্জবা পুন্সিগী অমম অঙানগী মচু পূন্নমক মহাক্কী খূৎইদা ফোঙদোক্লবা লাক্লরি। ৱাহৈ লীক্লা শীজিন্নদুনা খজিক্তনা য়াম্না ফোঙদোক্লবা হোৎনদুনা মতাং অসিদা বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী ৱারীমচাশিং নীংশিংহল্লি।''** শক্লাইরবা ক্রিটিক এলাংবম নীলকান্তনা মণিপুরগী শক্লাইরবা ৱারীমচাগী অইবা অমগী ৱারীমচাশিংগী মরমদা হায়রম্বনি। ৱারীমচাগী অইবা অসি কনানো?

৩) ***''ঐগী থৱায় কিশিন্দুনা পায়রি নঙনা/নঙগী খুবাম্নুংদা, হে অশিবা!/মঙক্তা থৌরী থুরবা চৎনীংবা মফমদা চৎপা ফংদ্রবা/থৌরীগী মচিন অমনা মহাক্কী খূত্তা পায়রিবা/তাউবা হূই অসিগা মান্নে ঐগা। ঐগীনি হায়ববু/ঐনা কন্থোক্লিবা অহাঙবা অসিখক্তনি।''*** শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৪) রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী **''গীতাঞ্জলি''** অসি মণিপুরীদা মী কয়ামুক্লা হন্দোকখ্রে। অহানবা খূৎনম ওইনা মণিপুরীদা হন্দোক্তুনা ওক্টোবর ১৯১৮দা ফোঙখিবা **''গীতাঞ্জলি''** অসি কনানা হন্দোকপনো?


৫) ***''মণিপুরী লোক সাহিত্য (মৈতৈ খুন্নাইরোল ফুঙ্গা ৱারী)''*** অহানবা শরুক, হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৈগী লৈরিক্তগী শাবা, হান্না ইরম্বদু মূখৎলগা অমুক হন্না ইবা য়াবা চে

সাইন্সকী খোঙচৎ


**কুঞ্জো নাওরেম**




লৈরিক্কী চেদা নম্লবা মমিবু অল্কলাইন অমসুং ইথানোল শীজিন্নদুনা মুখৎপগী মওং


হৌজিক ঐখোয়না শীজিন্নরিবা চেসি উ-ৱাদগী ফংবা পল্প হায়রিবা সেলুলোজ ফাইবর অদুদগী শুংবনি। চে শুংনবগীদমক উ-ৱাশিংদুবু য়ানবা, পৈশিনবা, শুংগদৌরিবা মফম তান্না পুখিবা, মদুদগী অমুক লৌরগা মেছিনশিংনা চপখায়বা অসিনচিংবা থৌওং কয়া চঙই। মখোয়সি পাঙথোক্লবা হোৎনবদা এনর্জি য়াম্না চাদিং তৌবা তাই। অসিগুম্বা চেদা নমখিবা নৎত্রগা ইখিবা দোক্যুমেন্ট অমা ইরায় লায়না মূখৎপা য়াদে (পেন্সিলগুম্বা অখন্নবা খরনা ইখিবা নত্তনা)। অমুক হন্না ইনবগীদমক চেশিংদু রিসাইকল তৌবা তাই। মসিদসু এনর্জি অমসুং মতম চঙই। অতোপ্পা অমরোমদনা, মালেমগী ওইনা উ-ৱাগী ইন্দষ্ট্রিগীদমক লল্লোন ইতিক্কী থবক্তা শীজিন্নরিবা উ-ৱাশিংগী ৩৩-৪০%দি চে শুংবগী ইন্দষ্ট্রিদা শীজিন্নে। মরম অসিনা চে শুংবগী ইন্দষ্ট্রি অসিনসু উমং-ৱামং কোকথোকপগা লোয়ননা অকোয়বগী ফীভমদা কার্বোন থাদোরকপগী চাংসু হেনগৎহল্লি। হৌজিক্কী মতমদা শুরিবা থবক অয়াম্বদি কম্প্যুটরশিংনা তৌরবসু চে শীজিন্নবগী চাংসিদি ইহন হন্থবা ঙমদ্রি। অদুনা হান্না ইখ্রবা নৎত্রগা নমখ্রবা ময়েকশিংদু মূখৎলগা অমুক হন্না ইবা য়াবা চেশিং পুথোকপা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই।

ওনলাইন্দা, 'এদভান্সদ মেটরিঅলস' (এপ্রিল ৫, ২০২২) দা ফোঙদোকখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না, নানয়াং টেক্নোলোজিকল য়ুনিভর্সিটি, সিঙ্গাপোরগী থিজিন-লূপ অমনা লৈগী লৈরিকশিং (পোলেন গ্রেইনশিং) দা য়ূম্ফম ওইরগা শুংবা চেদা ইখিবা নৎত্রগা নমখিবা ময়েকশিংদু মূখৎলগা, চেদুদা শেগায়-খোৎকাইবা তৌহন্দনা কয়ারক হন্না ইবা য়াই হায়রি। লূপ অসিনা 'পোলেন পেপর' অদুদা লেজর প্রিন্টর অমনা (লেজর প্রিন্টরশিংনা চেদা নম্নবগীদমক টোনর পাওদরশিং শীজিন্নে) নম্লবা হায়-রিজোল্যুসন কলর ইমেজশিংবু অলকলাইন (বেজ) সোল্যুসন অমনা চেদুদা অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা টোনরদুবু মূখৎলবা মতুংদা অমুক হন্না নম্বা য়াই হায়বদু উৎলম্মী। অসুম্না অমুক নম্বা-অমুক মূখৎপগী থবকসি নিপাল্লক ফাওবা পাঙথোকপা য়াই হায়না থিজিন-চেরোলদুদা পল্লি।




নুমিৎলৈগী লৈরিক্তগী শুংবা চে

নানয়াংগী থিজিন লূপ অসিনা পুথোরক্লিবা নুমিৎলৈগী লৈরিকপু শীজিন্নরগা চে শুংবগী মওংসি য়াম্না চম্বা অমসুং এনর্জি ইচঙ-চঙদবা থৌওং অমনি; মসি শাপোন শুংবগী মওংগা অদুম মান্নে। পোটাসিয়ম হায়দ্রোক্সাইদ হায়রিবা অলকলাইন অসিগী মতেংনা থিজিন লূপ অসিনা নুমিৎলৈগী লৈরিকশিংদা য়োমশিন্দুনা লৈরিবা সোল্যুলর কম্পোনেন্টশিংবু অহানবদা লৌথোক্লবা মতুংদা অথোৎপা মাইক্রোজেল পার্টিকলশিংদা ওন্থোকই। থৌওং অসি পাঙথোকপা মতমদা লৈরিকশিংদুদা য়াওরম্বা এনর্জি পোকহনবা ঙম্বা কেমিকলশিংদুসু লৌথোকখি। পোলেন মাইক্রোজেল অদুদগী পামদবা পার্টিকলশিং লৌথোকখিনবগীদমক আইওন য়াওদ্রবা ঈশিং শীজিন্নে। মসিগী মতুংদা নুংশিৎতা কংহন্নবগীদমক সেন্টিমিটর ২২ পাকপা অমসুং সেন্টিমিটর ২২ শাংবা, মিলিমিটর ০.০৩ মুক পাবা হায়বদি মীওইবগী শম্না অমগী তঙ্খায়মুক থাবা চেগী মওং অমা ফংই। চে অসিবু নুংশিৎকী ঈশিং মনিলগা থেংনবা মতমদা শুপচিল্লকপা নৎত্রগা কোনশিল্লক্তনবগীদমক, হায়বদি ঈশিং মনিলদা সেন্সিটিভ ওইদনবগীদমক থিজিন লূপ অসিনা ভিনিগরগী মচল অমা ওইরিবা এসিটিক এসিদতা থাদদুনা থম্মী।




Vincent van Gogh না য়েক্লম্বা নুমিৎলৈ (য়েৎ) অমসুং লৈরিক্কী চেদা লেজর প্রিন্টরনা নম্বা মমি (ওয়)

নুমিৎলৈ লৈরিক্কী চেদা নম্বা য়াবগী মগুণদু চাং য়েংনবগীদমক, নানয়াংগী থিজিন লূপ অসিনা Vincent van Gogh কী মমিং চৎলবা 'সনফ্লৱরস' হায়না খঙনবা অয়েকপা লাই অদুবু লেজর প্রিন্টর অমগী মতেংনা নম্লম্মী। অসুম্না নম্বসিদা চেদুনা প্রিন্টর ফাওদুনা চৎখিবদা শেগায়বা নৎত্রগা মখল অমত্তগী অমাঙ-অতা থোক্তবসু থেংনরম্মী। অসুম্না নম্লবা মমি অদুদা সেলোটেপ অমনা নপশিল্লবা মতুংদা সোলোটেপ অদুবু লৌথোকপদা টোনর পাউদরশিংদু সোলোটেপ্তা নপশিল্লক্লমদে। মসিনা তাক্লিবদি টোনরগী মরোলদু লৈরিক্কী চেদা য়াম্না ফজনা নপশিনখি হায়বসিনি। লৈরিক্কী চেদা নম্লিবা নুমিৎলৈ মমিদুগী মচুশিংগা ঐখোয়না হৌজিক শীজিন্নরিবা চেদা নম্বা নুমিৎলৈগী মচুগা খজিক্তংদি খেন্নবা লৈখি। অদুবু চে মখল অনীমকসিদা নম্লিবা মমিশিংদুগী শেংবগী চাং অমসুং রিজোল্যুসনদি চাংদম্নবা য়াই হায়না লূপ অসিনা ফোঙদোক্লি।

মসিগী মতুংদা থিজিন লূপ অসিনা লৈরিক্কী চেদা নম্লিবশিংদু মূখৎপা য়াই হায়বদু উৎখি। থবক অসি পাঙথোক্লবগীদমক লেজর প্রিন্টিংগী ওইনদি টোনর পাউদর অমসুং চেদুগী মরক্তা লৈরিবা বোন্দ অদু শোন্থহনবা তারম্মী। মসিদা লূপ অসিনা চেদুবু অলকালাইন ওইবা মহী অমদা মিনট অনী লূপশিল্লগা থম্মী। মতম অসিদা লৈরিক্কী চেদু চাওথোরকই অমসুং টোনরগী মরোলদু কায়থরক্তুনা চেদুদগী তোখায়না তারকই। অসুম্না টোনরদু লৌথোক্লবা মতুংদা চেদুবু হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিনহল্লক্লবগীদমক ইথানোলদা মিনট ৫ থাদদুনা থম্লবা মতুংদা নুংশিৎতা কংহল্লি। অসুম্না কংহল্লবা চে অসিবু এসিটিক এসিদতা অমুক থাদদুনা অমুক হন্না নম্বদা শীজিন্নবা য়াই। অসুম্না ইহান হানবগী ওইনা নম্লবা মতুংদা, নম্লিবা মমিগী টোনরদু লৌথোকপা অমসুং অমুক হন্না নম্বগী থবক অসি নিপাল্লক ফাওবা পাঙথোকপদা চেদুগী ষ্ট্রকচর নৎত্রগা মগুণদা অকায়বা অমত্তা লাক্তবসু থিজিন লূপ অসি থেংনরম্মী।

মসিগী ওন্ন-তৈনবদা, ঐখোয়না হৌজিক শীজিন্নরিবা চেশিংদা নমখিবা মমি নৎত্রগা ময়েকশিংবু মূখৎনবগীদমক ক্লোরোফোর্ম নৎত্রগা এসিটোনগুম্বা কেমিকেলশিং নৎত্রগা অৱাংবা ইন্টেন্সিটিগী মঙাল শীজিন্নদুনা টোনর অমসুং চেগী মরক্তা লৈরিবা বোন্দদুবু শোন্থহন্দুনা টোনরদুবু চেদগী তোখায়না তাহল্লি। থৌওং অসি পাঙথোকপদা চেদুগী ষ্ট্রকচরদা অকায়বা লাকপদগী অমুক হন্না নম্বগী থবক্তা অপনবা পীরকই। মসিগীসু মথক্তা কেমিকেলশিং অসিনা অকোয়বগী ফীভমদসু অকায়বা পী। অদুবু নুমিৎলৈগী লৈরিক্তগী শুংলিবা চে অসিদদি অসিগুম্বা পামদবা ফীভমশিংসি থোকহন্দে হায়না থিজিন লূপ অসিনা হায়রি। নুমিৎলৈগী লৈরিক্তসু নত্তনা, কমেলিয়া অমসুং থম্বালগী লৈরিক্তগীসু নুমিৎলৈ লৈরিক্কী চেসিগী মান্নবা চেশিং শুংবা য়াই হায়বসি উৎপা ঙমখি হায়না লূপ অসিনা ফোঙদোক্লি।

থিজিন লূপ অসিবু লুচিংখিবা সুব্রা সুরেশনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, মখোয়না পুথোরক্লিবা চে অসিনা অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীদে; মসিনা নুংশিৎতা কার্বোন থাদোরকপগী চাং হন্থহনবগা লোয়ননা এনর্জি শীজিন্নবগী চাংসু হন্থহল্লি। চেশিংবু রিসাইক্লিং তৌবদা চঙলিবা মতমবুসু কনবা ঙম্মী। অসিগুম্বা হেন্না সস্টেনেবল ওইবা মখলগী চেসি কৈথেলদা ফংহন্নবগীদমক মখা তাবা থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে হায়না মহাক্লা মখা তানা হায়রি। ●

# অদুঙৈগী য়েন্নীং থাদো

**- অধিকারিময়ূম গিৎচন্দ্র শর্ম্মা -**

মালেমগী লৈমাইদা মমাঙঙৈগী মতমদা য়াম্না মরাং কাজনা লৈরম্বা অচৌবা জীব মখল অমা ওইরিবা ডাইনোসরশিংনা পাক্তক্লনা মুৎখিবসিগী মরু ওইবা মরমদি অচৌবা এষ্টেরোইদ অমনা তাশিল্লকপদগী য়াম্না চাউনা অমাঙ অতা থোকপননি হায়বসিনি। মসিগা মরী লৈনবা খুদম চাংদম কয়া মথং মথং সাইন্টিষ্টশিংনা লেপ্তুনা থিজিন্দুনা পুথোরক্লি। ঙসিদগী চহী মিলিয়ন ২২৫দগীনা চহী মিলিয়ন ৬৫ রোমগী মমাঙদা ডাইনোসরশিং অসিনা মনীং মখা তৌনা মালেমদা হাইনা হুম্না পাল্লম্বনি। লাইবক থীবদি অচৌবা এষ্টেরোইদ অদুনা খঙহৌদনা তাশিল্লকখিবদগী মখোয়শিং অসিদা নত্তনা অতৈ থৱায় পানবা পোৎশকশিংগী শরুক মরি থোকপগী মনুংদা অহুমরোমগী চাংদা অমাঙ অতা থোকহনখিবনি।

হায়রিবা এষ্টেরোইদ অদুগী তাফম ওইখিবা অদু মেক্সিকোগী Yucatan Peninsula গী মনুং চন্না হৌজিক্তি Chixulub হায়না খঙনরবা মফম অদুনি হায়রি। য়াম্না চাউনা অমাঙ অতা থোকহনখিবা চাওরাক্লা কিলোমিটর ১০ রোম পাক চাওবা এষ্টেরোইদ অদুনা Chixulub তা তাশিল্লকপদগী মফমদুদা কিলোমিটর ১৮০ রোম পাক চাওবা অদুগা কিলোমিটর ২২ রোম লুবা অচৌবা কোম (Crater) অমা শেমখি। হায়রিবা কোম অদুবু Chixulub Crater হায়না খঙনৈ। অমাঙ অতাশিং অদু মরু ওইনা এষ্টেরোইদ অদুগী তাশিল্লকপগী শাফুনা ওইহনখিবনি। মরু ওইনা য়ুহার হাবা, সুনামি, লৈবাক কিন্থবা, মৈহৌ লাংপোক চাওনা থোকপা অসিনচিংবনি। হায়রিবা থৌদোক অদুনা থোকহনখিবা ইনর্জিগী চাং অদু টি এন টি ত্রিলিয়ন টন ১০০ রোম ওইগনি হায়না পানরি।

হায়রিবা চাং অসি হিরোসিমা অমসুং নাগাসাকিদা থাদখিবা এটোম বোমশিং অদুনা থোকহনখিবা ইনর্জি অদুগী শরুক বিলিয়ন অমদগীসু হেনগনি হায়না পানরিবনি। য়াম্না থাজদবা অমদি অসিগুম্বা অচৌবা থৌদোক অসিনা মালেমগী অপূনবগী স্পেসিস চাম্মগী মনুংদা হুম্ফুতরামঙাগী চাংদা মাঙহনখ্রবসু উচেক্কী কাঙলূপ, মশা পানবা রেপ্টাইলগী কাঙলূপ্তা চনবা Pterosaurs অমসুং Ammonites হায়না খঙনবা Mollusks কী কাঙলূপ্তি থোইদোক্লা অমাঙ অতা নংখিদে হায়রি।

মতম খরগী মমাঙদা য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাসকী Geophysicist, Sean Gulick না লুচিংবা কাঙবুনা Chixulub Crater গী মনাক নক্লা লৈবা সমুদ্রগী ঈরোলনুংদা ফুট ১৫০০ রোম লুবা মফমদা চথ্খিবা থিজিন খোৎচিনবগী থবকশিংদগী খঙখিবদি - এষ্টেরোইদ অদুনা হেক তাশিল্লকপা সেকেন্দ খরগী মনুংদা মাইল ২৫দগীনা ৩০ রোম লুবা মখুল অমা হুৎপদগী মদুদগী কাপথোরকপা মহী চেল্লবা রোকশিং অশাবা মনিল চেল্লবশিং অদু মথকলোমদা ৱাংনা মায়কৈ মরিমক্তা পাইথোরকখি অমসুং চীংদুম চীংদুমগী মওংদা পৈদুনা লৈখি। হায়রিবা চীংদুমশিং অদুগী অৱাংবা অদু মাউন্ট এভরেষ্টকী অৱাংবদগী হেনবসু য়াওখি হায়রি।

মদুগী মথংদা চীংদুমগী মওং মতৌগা পান্থক ওইরবা পোৎশকশিং অদু ইখঙ খঙহৌদনা থৌদোক্তুনা মরম ওইরগা সমুদ্রগী ঈশিংনা ঈথক ঈপোম কন্না য়ৈথোক য়ৈশিন তৌদুনা ভোলকেনিক গ্লাস অমদি রোকশিংগী মচেৎ মকায় অমদি মকুপশিংনা য়োন্লবা মওং অমা ওইরকখি। অদুগুম্বা রোক অমদি অতৈ মচেৎ মকায়শিংগী লৈরোল অদুবু Suevite হায়না খঙনৈ। মসিদসু নত্তনা সেদিমেন্ট কয়াদা থিজিন্দুনা য়েংবদসু তমথীরবা শক্তম লৌরিবা এষ্টেরোইদ অদুনা শিংকুপ শানা থুগাইবিরবা রোকশিংগী সলফর মকুপ টন বিলিয়ন কয়ানা নুংশিৎকী কুয়োমগী মফম কয়াদা শিন থুংনা শন্দোকখি।

মদুনা মরম ওইরগা নুমিৎকী মঙালবু মতিক চানা চংহল্লকপা ঙমদবদগী য়াম্না শাথীরবা ন্যুক্লিয়র ৱিন্টরগী মওং লৌদুনা মালেম পূম্বা মতম শাংনা কা হেন্না অঙীংবগী ফীভম অমদা থমখি। অসিগুম্বা মতম শাংনা চথ্খিবা থৌওং কয়া অসিনসু থৱায় পানবা পোৎশকশিংগী হিংনবগী লানফমদা য়াম্না চাউনা খুদোংথীবা মায়োক্লখি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

হৌজিক অমুক সাইন্টিষ্টশিংনা থিজিন্দুনা অনৌবা ৱাফম অমা ওইনা পুথোরক্লিবা অসিনা এষ্টেরোইদ অদুনা তারকখিবা মতমদু কুম অদুগী ওইনা অৱাংথংবা হেমিসফিয়রদা য়েনীংথাগী মতম হায়বদি স্প্রিংটাইমদা শোয়দনা ওইগনি হায়বসিনি। মসিগী মতাংদা মরী লৈনবা থিজিন খোৎচিনবগী থবকশিং ঙাগী ফোসিল কয়ামরুমদা থিজিন্দুনা চথ্খি। হায়রিবা অনৌবা ৱাফম অসিনা দাইনোসরশিংনা পাক শন্না মুৎখ্রগা অতৈ খোম থকপা জীবশিং অমদি উচেকশিংনা মতৌ করম্না হায়রিবা খুদোংথীবা অদুদগী থোরকপশিং অদুনা কা হেন্না অমাঙ অতা থোকহনখিদবনো হায়বদু খরা ময়েক শেংনা খঙহনবা ঙমগনি হায়রি। হায়রিবা থিজিনবগী থবক অদু North Dakota গী Hell Creek Formation হায়না খঙনবা Rock Bed অদুদা ফংবা ঙাগী ফোসিলশিংদা চথ্খিবনি। হৌজিক Tanis হায়না খঙনরবা মফম অদু মমাঙঙৈদদি কালেনগী মতমদা অশাবগী চাংনা সেলসিয়স দিগ্রি ২০ অদুগা অঙীংবনা নিংথমথাদা সেলসিয়স দিগ্রি ৫গী চাংদা ওইরম্বগী খুদম ফংই। হৌজিক্তি মফম অদুগী শাবগী চাং অসি কালেনগী মতমদা সেলসিয়স দিগ্রি ৪৫ য়ৌরি। Tanis তা লৈরিবা ফোসিলশিং অদুগী মরক্তা গুস্তির, শার্ক, টরটল অমদি অতৈ শা খরগীসু য়াওরি হায়রি। হায়রিবা ফোসিলশিং অদু Seiche হায়না খঙনবা Swimming Pool অমদি Enclosed ওইবা মফমদা য়ুহার হাবনচিংবদা থেংনগনবা Wave মখল অমনা মাঙহন তাকহনখিবদগী ওইখিবনি হায়বসিনি। মসি Chixulub impact অদু থোকখ্রবা মতুং মিনট খরদগী হৌরগা পুং কয়া চূপ্পা থোকখিবা থৌদোক অমনি। মসিগী মতাংদা থিজিল্লিবা সাইন্টিষ্টশিংনা ফংখিবা ঙাশিংগী ফোসিল অদুগী Jaw bones, Fin Spine, Bone Cell density অমসুং volume শিংদা নত্তনা Paddlefish কী ফোসিলদা য়াওবা কার্বোন আইসোটোপ অনীদসু থিজিনখি। নৈনবা য়াবদি হন্দক্কী ৱাফম অসিনা নোদর্ন হেমিসফিয়রদা য়েন্নিংথাগী মতম ওইবা মতমদা Chixulub impact থোকখি হায়বসিগী য়াম্না মরু ওইবা প্রমান অমা ওইননবা হোৎনরি। মরমদি হায়রিবা য়েন্নিংথাগী মতম অসিদা শা উচেক কয়ামরুমদি মরূম কোকপা, মচা পোকপা, মকুম মথাগী মতম অয়াম্বনা ওইনরি। অদুবু দাইনোসরশিংগীদি হায়রিবা মতম অসি মকুম মথাগী মতম ওইজরবসু মরূম কোন্দুনা মচা ওনবগী থবক অসি য়াম্না শাংনা মতম চঙবা অসিনি। মরম অসিনা মতম শাংনা চঙবা অসিনা অচৌবা খুদোংথিবা অদু থোক্লকপা মতমদা দাইনোসরশিং য়াম্না খুদোং চাদবা মায়োক্লখি অমদি পাক্তক্লনা মুৎখিবগী মরমসু ওইগনি হায়রি। হন্দক্কী থিজিন খোৎচিনবগী থবক অদু Sweden গী Uppsala University গী Vertebrate Paleontologist, Melanie During না লুচিংদুনা চথ্খিবনি।

হন্দক্কী নোর্থ দাকোটাগী ফোসিলশিংগী মতাংদা চথ্খিবা থিজিন খোৎচিনবগী থবকশিং অসিগী মথক্তা অতৈ অতোপ্পা মফমশিংদা ফংবা ফোসিলশিংদসু খরগা হেন্না পাক শন্না থিজিল্লবদি হেন্না মরীক চুম্বা ৱাফম কয়া অমসু ফংবা য়ারি। মসিগী মতাংদা Canada গী Royal Tyrrell Museum of Paleontology গী Vertebrate Paleobiologist, Jeff Liston নসু মহাক্কী ওইবা মত পীরদুনা অতৈ মফমশিংদসু মসিগুম্বা থিজিন খোৎচিনবগী থবক অসি চথ্খরবদি হেন্না কান্নবা পীগনি হায়রি।

অমরোমদা, হন্দক্কী হীরমসিদা হকথেংননা থিজিল্লিবা Vertebrate Paleontologist, Melanie During না অতৈ Tanis কুম্বা মফম কয়াদা থিজিন্দুনা লোৎতুনা লৈরিবা সাইন্সকী ৱারোল কয়া হেন্না মরীক চুম্না খঙবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা থম্লি।

নৈনবা য়াবদি অচৌবা এষ্টেরোইদ অদুনা Chixulub তা তারকখিবা নুমিৎ অদুদগী Cenozoic Era গী মতম হৌরে হায়না জিওলোজিষ্টশিংনা পানরি। Cenozoic Era অসি Geological Time Scale গী Era মরিগী মনুংদা খ্বাইদগী অকোনবা Era নি। অতৈ অহুম অদুদি মথংশিংনা Precambrian, Paleozoic অমসুং Mesozoic Era নি।

অরোইবদা পঞ্জনীংবদি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী লাইবক থীবা থৌদোক অমা ওইনা দাইনোসরশিংবু মুৎহনখিবা অদুগুম্বা তমথীবা শক্তম লৌখিবা Asteroid অদুনা অৱাং থংবা হেমিসফিয়রদা য়েন্নীংথাগী মতম অমদা তাশিল্লকখিবা অদুনা অদুঙৈগী য়েন্নীংথাদো শক্তম অমা ওইনা অতোপ্পা মওংদা উহল্লে। ●